## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩

১। মীতৈ পুৱারীদা সনা হেরাচন্দ্রগী মিংদি মুৎপা নাইদনা লৈহৌরগনি। ডাকু নিংথৌ হায়দুনা।
(ক) ইপুংসি হেরাচন্দ্র করম্বা মৈদিংঙুগী মচা ইবুংঙোনো?
(খ) অৱা লান্দুদা লৈবাক কায়বা হৌখিবদু ১৮১৯গী করি থাদনো?
২। "হেলোইনা মী পুই/ মোইবুং খোংদুনা মীনা থিনৈ। অদুবু মাদি নুংঙাইরবা তাইবঙপান অমদা লৈ।" ৱাফম অসি এম কে বিনোদিনীনা হায়রম্বনি। করম্বা লাইরিক্তা হায়বনো?
৩। "ঐদি/ফনা নঙনা পেমচা ওইদুনসু/নত্তে ঐদি নঙগী বোরাচাউবা/পুরেম্বনি ঐদি ঙাঙ্খলৈমগী।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবা রনবীর শারুংবনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৪। "হিংবা শিববু ঐখোয়গী খূত্তা লৈব্রা/ইশা ইথন্তা হেক্তা শিগদ্রা?" পরেংশিং অসিনা 'য়েন্নিংথাগী য়েন্নিং' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?
৫। "নুংশি করি ওইরসিগে/নুজা ৱাখল থেনমল্লি/নুংশি নশুং লাংগীদমক/কাইখরেনে ঐগী থম্মোয়।" পরেংশিংসি য়াম্না মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউ-খুম চুন্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুন্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২গী পাউখুম ৪ চুন্না থাবীরকখিবদি

*১) মাইস্নাম বুধ সিংহ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়* (৪)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০২গী ৱিন্নর

*মাইস্নাম বুধ সিংহ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায়*

লিটরেরি ক্যুইজ ১০২গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম সেপ্টেম্বর ১, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২গী পাউখুম

১। মণিপুরগী পুৱারীদা ওগষ্ট ১৩ অসি সনাগী ময়েক্লা ইদুনা লৈহৌরনি। নীংশিংগদবা ময়ামগী মনুংদা 'ময়াংখাং' দা মেলভিন সাহেবপু হাৎখিবা চিরাই নাগাসু অমনি।
(ক) 'ময়াংখাং' কৌখিবসি করিদগী কৌখিবনো? *: ময়াংখাং ফৌ থাবগী*
(খ) ময়াংখাং অসি মতমদুদা করম্বা নাগা ত্রাইবকী সব-দিবিজন্নো?
*: কোয়লা নাগা ত্রাইব*
২। "জীব হাৎতুনা চাবা মীদি মুসলমানতবু নত্তে, হিন্দু থিদে, হিংচাবনা পানবা থমোয়নি।" ৱাফমসি মহাকবিনা হায়রম্বনি। মাগী করম্বা লাইরিক্তা হায়রম্বনো? *: জহেরা*
৩। "নহাকপু নাউশুম ঈশৈ/শক্লা শক্লা ঐনা/...শুন্নক্লিবা করম্না নহাক্লা ঐবু।" ৱাহৈশিং অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।
*: পুন্সিনা পুরিবা মঙ*
৪। "অমম্বা মপৈ মপৈগী/মনুংদা/লৈহৌই অপীকপা/খোঙলম্বী অমদি/খোঙ্গুল শেংফাত্তনা।" ৱাহৈশিং অসিনা অইবী অমনা 'মঙগী মচুশিং' কৌবা লাইরিক্তুগী শৈরেং অমদা হায়রিবনি। অইবীদু কনানো? *: নাওরেম রোমিনা*
৫। "মৈতৈ নোংশা মমিংতা ঙায়রে/পাঙ্গল য়াওদ্রে মীপাল তাংলে/চহী তৎলে খোংবা ঙমদ্রে।" পরেংশিংসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?
*: নন্দলাল রোই*

ৱারী ককনাউ

# ঐখোয় ডোক্তর

"ঐখোয় ডোক্তরসে ফখ্রজাৎনি, মশাগসে নানখ্রবা, ফুরিৎতগা কৈনোমতা চুবা য়াবা নত্তে, লিৎপিজাৎ নত্তে। অমুক লিৎখিবা ফুরিৎসে অনীরক হন্না লিৎপীয়ু য়াদে। অদুনা মাগী ফি শূবা, আইরন তকপদতা থবক অমনি। ঐখোয় নুপীনা পামজরিসে সি নৎত্রো, মশা নানবা, মতৌ লৈবা, মবুক ফবা, শেল থোকপা, মীনা ইকায়খুম্নবা উৎপীবা... হাহাহা" সনাৰৈনা মাগী নুপাবু থাগৎপসিদি অরোইবীনি। নিংঙোল চাক্কৌবগী মপামদগা লাকপদা ইঙ্খোলনুংগী মমান্নবী ময়ামদগা চাক চাবা তোল্লগা ৱারী শানবদা মানা হায়রিবা ময়ামশিংসিদি তানীংদবসু কোকথোং অমা য়াওরমগনি, মরমদি কা অমা হেন্না মাই নুপাবু থাগৎপগী। ৱা ওইনা হায়নদ্রসু মথম্মোয়দদি খন্নে, *'মাইসি কা অমা হেল্লে, তানীংদবনা শিরে"*। সনাৰৈ চৎখ্রগা মখোয় মশেল অমুক ঙাঙনহৌই।

নুংশিতোম্বীনা চমপ্রাদু মশুং অমা থুম নম্মগা ময়াদা হুকচিল্লগা শিনমনবনা শুগত্তুনা ঙাইহাক লৈরুরগা হায়রকই,

"ডোক্তর হায়বা জাৎসে, মাই-মাই নুপীনসু, মমানসু, মপানসু, মচিন-মনাওনসু, ঐখোয় ডোক্তর, ঐখোয় ডোক্তর লোইনা হায়, অশোন-অনাগী শেল লৌরগা ময়ুম শাবা, ঙা থোংবা চাবশিংসিনা কাজরিবা নাপলসিদি হাহাহা ঐদি নোকচনীংইদা। ইগো নিগাইনা তৌজরিসে। ঐসে এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়রগী নুপীনি, নোংমতা ঐখোয় এগজিক্যুটিভ এঞ্জিনিয়র হায়না অমুক্তা হায়জদে। মাই ৱাদু ময়া কাখৈ তারুরগা তোম্বীমচানসু কোমলা মকু খোক্লা খোক্লা খুম্মকই।

"হায়দে-হায়দে, ঐসু নোংমতা ঐখোয় উকিল, ঐখোয় জজ হায়না অমুক্তা হেক পঞ্জরক্তে, ইচিন কেন্নি।" ময়াম মাই ৱাদু তাবদা ৱা লাওনা নোকই। মীওইবগী নাপল হায়বসি মশা মশানা খঙনা নৎত্রগা খঙদনা কানবনি। কাগে হায়না কাবা মীসু লৈতবা নত্তে। সনাৰৈনা মাগী নুপা ডোক্তরদু নোংমতা তামো, মোই তামো, মোই পাবুং কৌবী জাৎ নত্তে, মী লৈত্রকা দা মোই মশেলগদি কৈ কৈ কৌনরমগদগে খঙদে। মী অমবু লৈরবা মরৈ কোল্লগা, "ঐখোয় ডোক্তর...." হায়সি অদুম হৌরক্কদৌনি। অদুক য়াম্না থাগৎচরম্বা মোই ডোক্তরদো ঙরাংদি কনানো নর্স লৈশাবী মচা অমগা কারদা তোংলগা চৎমিন্নবা সনাৰৈগী মৌপ্পানা উহৌরে। মাসু ইথা থাজদনা লাপ্তুক্লা মোই মতুং ইন্নদুনা য়েংই হায়। অদুগদি নুপীদুগা মখূৎকা শম্নরদনা "নুংশি পন্থুং হোটেল' গী ষ্টিয়রদুদা কাখৎখিবদু মমিৎমক্লা উহৌরে। মাসু য়েংদদি য়েংলগে হায়না হোটেল মমাঙদুদা শংলগা লৈরে। মল্লি-মল্লি তৌরকপদুদা থোকমিন্নরল্লগা মবাইগা নর্স লৈশাবীদুগা হনমিন্নখিবদু সনাৰৈগী মৌপ্পা নুপানা উহৌরে। শাউনীংবনা মৈ হৌদুনা মচেগী নাক্তা লাল্লগা পাউসি লোইবা ফাওবা তম্মী। পাউদু তাবদা সনাৰৈদু লেকথরক্তুনা লৱাইদা ঈশিং থাবীবদগী শ্বর হন্থরকপদা ঙাইরি। গেটতা মোই ডোক্তরদু হল্লকপগী গাড়ী মখোল তাই। মৌপ্পা নুপাদুদি ঈ কাদুনা অদুম থোকখ্রে। সনাৰৈ ৱেটিং রুমগী সোফাদুদা ফৈনা ফম্মগা মংদুনা লৈরি।

"কৈদৌরে, উংদুনা লৈরিদুনা, ঐ য়াম ৱারে, কোফি অমত্তা থক্কে"

"কৈদৌবদা ৱারিবা"

"কৈনোনে খংশাউ শাউরিদুনা, নঙগী নৌপ্পা নুপাসিসু পৈনা য়েংলম্মগা ৱাগা অমত্তা হায়দনা থোকখি, মানা করি হায়রম্মীনো"

"ঙসাইখৈ কাই চৎলুই?" সনাৰৈদু ফুক হৌগৎলগা মখ্বাং মেৎলগা মোই ডোক্তরগী মমাঙদা লেপ্পগা ৱা হংই।

"ঐ হোস্পিটালদগী হল্লকপনি কো, ইশৌ লাংঙক্কনু"

"হো হোস্পিটালদগী, ঙসাই অয়ূক পুং ১০.৩০দগী হোবে-হোবে চৎখ্রগা "নুংশি পন্থুং হোটেল" দা কনাগা লৈমিন্নরুই। ঐ শিখ্রো হায়বা নৎত্রা? ফৈ নঙগী অপাম্বা তৌহৌরো, ঐ শিরগা ফরনি" সনাৰৈদু শাউনা ইমুংগী কারোমদা ফৎ-ফৎ চঙখি। ডোক্তরনা তান্নরগা থেম্মী।

"কনানা নঙোন্দা করি হায়জিল্লগে, অদুমাই তৌনু"

"ঐ ৱা মখা তানা হায়ররোই, ঐ খাম্মনু, ঐ চৎলগে"

"অমুক হায়দবা য়ানসিকো, ঐ মী মমাঙদা চোপ্পা য়াবা মী নত্তে, ঐ ডোক্তরনি"

"ঐনসু ঐখোয় ডোক্তর হায়না মীমাঙদা পোংজরুবসিদি, সিগী মৈশাসি ফংনবা তারে"

"সনাৰৈ, য়ানা-য়ানবা অদুম লৈনসিকো, ঐনা হায়রিসিনি"


"অদুদি নঙ নর্স নুপীদু পুশিল্লক্লগে হায়বা নৎত্রো, পুশিল্লকউ-পুশিল্লকউ, নোই নুংঙাইনা লৈহৌ হায়সিবু ঐনা করি কায়গে" ৱা খরা ঙাঙনরগা সনাৰৈদু ঙসি মপামদা হল্লক্লে। মা অহিং তূম্বা য়াদে, খল্লি, ঐনা নহানখৈ নুংশিনা পামজনা কৌজবা "ঐখোয় ডোক্তর" হায়বা মীঙ্গৌসি নুপীদুনা অমুক কৌখিবা তারবা?■

*- নরেন্দ্র নিঙোম্বা*

মতম মতমগী ৱাফম

# মৈতৈ পাংঙল অমদি মণিপুরী খুন্নাই

মণিপুর হায়বা লৈবাক অসি কাঙলূপ কয়াগী মীওইশিংনা পূন্না খুন্দামিন্নদুনা লাকই হায়বসি অরীবা লাইরিক পারগা ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্মী। ঐখোয় অয়াম্বনা ঐখোয়গী হৌরকফম ৱারী লাইরিক থিজিল্লুদবা, নৈনরুদবনা অমনা অমবু তোঙান তোঙান লৌনরকই। ঐখোয় মশেলগী মরক্তা মরী লৈনদবা অমগুম লান্না খন্নে। কবুই ফুরুপকী মশক নাইখিবা অইবা-মাংথোই থাইমৈনা **"নাউশুম অমত্তদগী"** হায়বা ফজখ্রবা ৱারেং অমা ইরম্মী। মহাক্লা নাউশুম অমত্তদগী হায়বা ৱারেংসিদা অসুম্না হায়রি- " মায়কৈ কয়াদগী চেনশিল্লকপা অচৌ-অপিশক্কী ঈশিং ঈচেল খিবিক্লা পূল্লগা চাংজৌ নাইদ্রবা সমুদ্রগী ঈপাক অসি ওইখিবগুম মণিপুর তম্পাক্কী শরুক্তা লৈরিবা খ্বাইনা মৈতৈ হায়রগা খঙনরিবা কাঙবু অসিগী সভ্যতাসিসু তোঙান তোঙানবা চক্তা তোঙান তোঙানবা সংস্কৃতিগী লৈথেৎ-লৈচল কয়া অমসু য়ানখিদবা নত্তে হায়বসি অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফম্নি"।



ৱাফমসি নৈনবা চুম্মী। অঙনবা মতমদদি তম্পাক্কী লমদা হিন্দু লাইনিং চঙলকখিবা মতমদা অকনবা চৈরাক, কাঙলুপ মশেলগী মরক্তা মাংবা শেংবা, থাক ৱাংবা হন্থবা খায়দুনা মীচম মীয়ামগী মফমদা অৱা অনা নংখিবা কাউঙমদ্রা থৌদোক কয়া লৈখি। অদুবু ঙসিদি লাইনীং লাইশোনসু মানা মানা পাম্বা অদুম চৎনরে। থোইদোক্লা অথিংবদি লমদমসিদা লৈত্রি। মণিপুরগী তম্পাক অমদি চীংগী লমদা চোইনা খুন্দাখ্রিবশিংগা নক্লবা মরী লৈনবা, তম্পাক লমদগী তম্মীনা চীংমী ওইখিবা, চীংদগী লাক্তুনা তম্পাক্তা খুন্দাখিবা তম্মী ওইখিবা কয়া কয়ানি । খুন্দাখিবদা নত্তনা চীংমীনা মৈতৈ ওইখিবা, মৈতৈনা কবুই, তাঙ্খুল, মাও ওনখিবা লৈখ্রে। চীংমী তম্মী অনীগী নুংশিনবা চারৌ মৌরৌনবা, পোৎ লান্নবা থৌরম ঙল্লিঙৈদগী চৎনরকই । মেরা হৌ চোংবা ঙসিসু কায়দনা পাঙথোক্তুনা লাকই। মসিনা চীংমী তম্মীগী নকশিন্নবা নুংশিনবগী মরী মাঙহনবদি ঙমদ্রি । ঐখোয়গী মরক্তা হৌজিক কাউথোক্লদুনা লৈরিবসি মৈতৈ পাংঙলগী নকশিন্নবগী ৱারীনি । মৈতৈ পাংঙল কনানো, মখোয় করম্না লমদমসিদা খুন্দারম্বনো, করম্না লৈমিন্নরম্বনো হায়বসি ঙসিগী মীরোন্না কূপ্না নীংশিংনদ্রে । লমদমসিগী মী অয়াম্বনা মৈতৈ পাংঙলবু 'পাঙ্গল' হায়নবা, কৌনবসু লৈরি। অশেংবদি 'পাঙ্গল' হায়বা নত্তে 'পাংঙল' হায়গদবনি । পাংঙল হায়রিবসি মুসলমানবুনি। মুসলমান (মুসলিম) হায়বা কাঙলূপসিনা মালেমদা খুন্দাদবা মফম লৈত্রে । মুসলমানশিংগী মনুংদসু মখল মখলনি। মহৌশানা মুসলমানশিংদি শূবা-নোম্বা কনবা, লল্লোন ইতিক কনবা, খূৎশা হৈবা, ঈশৈ নোংমাই হৈবা, অতনবা হায়বসি লৈতবা থৌনা ফবা কাঙলূপ্নি । ৱাং চাওই, মশক মতৌ ফজ গল্লি। লাইনীংনা তোঙানবা ৱাফমদা থমখ্রগা মুসলমানশিংদি কোইচৎ চৎতুনা শূ- নোমবা কঞ্জবা অমা ওইনা লাকপগী ৱারী ৱাখোংশিং ঐখোয়না লাইরিক লাইশুশিংদগী খঙবা ঙম্মী।

'মৈতৈ পাংঙল হৌরকফম' হায়বা লাইরিক্তগী খঙবা ঙম্বদি- "খৃঃ ১৬৭৯, য়েনখোইবা লাংমৈগী কুম শক ১৬০১ ইংঙা থা ৬নি পানবা ইরাই নুমিৎতা মুগল/মোগলশিংনা মককতগী মৈতৈ লৈবাক্তা থোরক্তুনা খুন্দারবদগীদি মৈতৈ লৈবাক্কী মুসলমান খুন্নাইগী মীওইশিংবু মংকন/মংগন হায়না খঙনরকপা হৌরকখি। মৈদিংঙু পোইরৈ নিংথৌহনবা,খাগেম্বনা পানখিবা মতমদা কছারিগী লানফমদা মুসলমান লীশিং অমা ফাদুনা মৈতৈ লৈবাক্তা খুন্দাহনখিবা লোয়ননা মুসলমানশিংগী লোইশঙ লীংখিবগী পুৱারীগী তাঙ্কক অমা লৈখি। মসিবু ঐখোয়না ঙসিফাওবা 'সানোংবা হিগায়ৱা' হায়না খঙনরি । মৈতৈ লৈবাক অসিদা মণিপুর মুসলিম খুন্নাই হায়না খঙনবা মহম্মদন খুন্নাই অসি 'মসলমান' হায়না খঙনবা কাঙলূপ ওইনা খৃঃ ১৬০৬তা লিংখৎখি হায়বসি ময়েক শেংনা লৈরি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু 'মৈতৈ পাংঙল' হায়না খঙনদুনা লমদমসিদা লৈমিন্নরক্লিবসি ঙসি ঙরাংতগী ৱা নৎত্রে । নোংচুপ হারম্লোন পুয়া লাইরিক্তদি 'মসলমান' হায়না পল্লি। খৃঃ ১৬০৬ দগীদি মৈতৈ লৈবাক্কী নিংথৌশিংনা শকখঙলবা মুসলিম খুন্নাই অমা লমদমসিদা ওইখি। খৃঃ ১৬৮৮ চনম চাওবগী কুম শক ১৬০৯গী ৱাকচীঙ থা ৩নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা গুজরাটতগী পঠান, মুগন/মোগল নিংথৌ দিল্লিদা পানখিবশিংগী ফম্নাইবা ওইরম্বদগী খৃঃ ১৬৮১গী মোগাল বাদশহ ঔরঙ্গজেবকী মচানিপা সাহজাদা আকবরগী লানহৌদা য়াওরুবা মুগন পাঠানশিংনা মৈতৈ লৈবাক্তা চেল্লক্তুনা খুন্দারবদগীদি মুসলমানশিংবু মুগল/মোগল/মংকন/ মংগন হায়না ময়েক শেংনা খঙনরে ।" অসিদসু নত্তে, খৃঃ ১৭৭৩গী মতমদা তেখাওশিংনা মহম্মদন লাইনীং চৎপা মুসলমানশিংবু বংগাল/ পংগাল হায়নখি। মদুদগী মৈতৈ মংগনশিংবু 'পাংঙল' নৎত্রগা 'পাঙল' হায়না খঙনখি । মৈতৈ লাইরিক শূবা পণ্ডিৎশিংনদি 'মংগন' হায়নসু অদুমক কৌনৈ । ৱাফমশিং অসিদগী খঙই মদুদি- মংকন/ মংগল হায়রম্বদগী লোম্থে ওইনা 'পাংগল' হায়খি । পাংগলদগী অমুক থৈথরক্তুনা ঙসিগী মীরোন কনাগুম্বনা 'পাঙ্গল' হায়নরকই।

খৃষ্টগী মতুং ১৬ অমদি ১৭ শুবা চহীচাগী অদুৱাইদা (হবিগঞ্জ/তরফ) পালম্বা নিংথৌ মচা মহম্মদ সানী কৌবা অমনা 'নবাব' হায়বা মিংথোল থাদোক্লগা 'প্রসেনা লানচিংলেন মহম্মদনী' হায়না কৌদুনা মৈতৈ লৈবাক্কী মুসলমান খুন্নাইগী খুল্লাকপা ওইদুনা লমদমসিগী লৈঙাক লৈকনবগী থৌদাং য়ারকই। মতম অদুদদি শা লান য়াম্না কনবা ওইবনা মুসলমান পূম্নমক লাম্মীনি।

লাম্মী ওইনা চঙলকখিবা ঙাক্তনি। মণিপুরদা মুসলমানশিংনা চঙলকখিবসি মরম অনীদা উবা ফংঙি । লল্লোনবা লাকপা মুসলমানশিং অতোপ্পা মরম অমনা লান পাংবা লাকপদা লানফা ওইনা লৈরকখিবা অসিনি। লল্লোনবা লাকপা মুসলমানশিংগী ৱারীদগী লান পাংবা লাকখিবা মুসলমানশিংগী ৱারীনা হেন্না মরু ওই । লল্লোনবা লাকখিবদি পংয়াম য়াম্বা নৎখিদে।

মণিপুরদা লৈরকখিবা লানফা ওইরবা মুসলমানশিংবু 'মৈতৈ পাংঙল' হায়না খঙনদুনা নীংথিনা লৈবাক নিংথৌনা খুন্দা লৈতাহনখি। অয়াম্বা মুসলমানশিং তোঙান তোঙানবা শিনফমদা খুৎহৈরকপা ঙাক্তনি। মখোয়বু শিনফমগী মতুংইন্না কাঙলূপ অনী থোক্লা 'খুৎহৈবা অমসুং খুঞ্জা' হায়না খায়দোক্তুনা থৌ পুহলম্মী । মতম অসিদা মৈতৈ পাংঙলশিংগী থাক য়াম্না ৱাংলম্মী। লৈবাক্কী থৌদা অকনবা পুবদা য়াওরকই। লৈপাক্কী শা লান্দা মাঙজিন থারকই। লৈপাক অমা পানবদা চঙদবা য়াদবা লম্বী থোং, য়ূম-কৈ শেম শাবদা মৈতৈ পাংঙলনা অচৌবা থৌদাং লৌরকই। চহীগী কুম্মৈ ফিয়েং, লৈবাক্কী হরাউ কুম্মৈ, মূক্লা, শাগোল কাংজৈ, হিয়াং তান্নবনচিংবদা য়াওরকই। কন থৌবগীদমক মৈতৈ নিংথৌনা ইকায়খুম্নবা উৎখিবা মৈতৈ পাংঙলশিংনি। মসিগীদমক মৈতৈ নিংঙোলশিং থাজদুনা লম পীদুনা ময়ূম মকৈ পালহনখি। মৈতৈশিংগা নক্লবা মরী-মতা ওইরকই। মৈতৈ নিংঙোলশিংনা পোকপা মচা মশুশিং লমদমসিগী মচানি হায়না শক খঙবীরকখি। মৈতৈ নিংঙোল লৌদুনা খুন্দারবা খুৎহৈবা মৈতৈ পাংঙলশিংবু য়ূম্নাক পীদুনা ইকায়খুম্নরকই । মৈতৈ পাংঙল ওইরবা মৈতৈ নিংঙোল মচাশিংনা মখোয়গী মপা মপুনা হান্না মমালোন ওইনা ঙাঙনরকপা উরদু, পার্সি লোনশিং কাউথোকখিদুনা লমদমসিগী মৈতৈলোনবু মখোয়গী ওইবা লোন অমা ওইনা ঙাঙনরকখি । মৈতৈ পাংঙল ইমা ইবেন, ইচে ইচলশিংনা ফুরিৎতি মখোয়গী ওইবা অচোনবা লীৎনরগসু শেৎকদবা ফিদি মৈতৈ খ্বাংনা শাবা ফনেক শেৎনরকই। মৈতৈ পাংঙল ইচে ইচল খ্বাংগী ফনেক ফিরোল শাবা য়াম্না হৈ। ঙসিদি মৈতৈ পাংঙল নুপীশিং ফনেক শেৎপা পংঙ উরকত্রে, মপানগী ওইবা মুসলিমগী অচোনবা ফুরিৎ ফিরোন ঙাক্তনা নম্না শেৎনখ্রে । মৈতৈ পাংঙল নুপী অমগী ওইফম থোকপা, মশক অসি নোংমা নোংমগী মমি শামথরকপা উবা ফংই।

মৈতৈ নিংথৌগী ফজবা অমনা লমদমসিদা খুন্দাদুনা লৈরবা মৈতৈ পাংঙলশিংবু মখোয়গী ওইবা চৎনরকপা লাইনীং লাইশোন্দদি অয়েৎপা অপনবা পীখিদে । মখোয়গী নাৎকী ওইজবা অদুমক য়াহল্লি। মৈতৈ নিংথৌনা মচা নিংঙোলশিং থাজদুনা য়ূম্নাক পীখিবশিংদি- খুল্লাকপম, ৱাংময়ূম, ফুন্দ্রেময়ূম, মকক ময়ূম, ইফম, মেরাইময়ূম, বাসৈময়ূম, শঙ্গোমশুম্বম অসিনচিংবশিংনি। মখা তারকপদা য়ূম্নাক ময়াম অমা মহাক্কী শিনফমগা চাননা থোল্লকখি খরদং পঞ্জরবদা-ফুসম, য়ূমখায়বম, লুলাকপম, খুলৈবম, অয়েকপম, কোরিময়ূম, মনসম, দোলাইপাবম,পুখ্রিময়ূম, হৱাই ইঙ্খোল, লৌপানময়ূম, য়ূমখাম, ভুক্রাময়ূম, বগীময়ূম, চেসম, মকক ময়ূম অঙৌবা, মকক ময়ূম অমুবা, মাইবম, থোংখোঙময়ূম, কোন্থা ময়ূম, সাজবম, লৈসাংখোং, লবুকতোংবম, মোইজিং ময়ূম কৈনৌময়ূম, উরুপময়ূম, থৌবালময়ুম, মোইনাম, মুস্রাম, সাইরেম, ৱাংময়ুম, ফিসম, সিংগাখোংফম, নোংজাইময়ুম, কৈখোঙতা, হিদাক ইঙ্খোল, নোংসায়াইবম, মেঞ্জরময়ুম, পঞ্চাইময়ুম, কাজিখুৎ, য়াংখুবম, ওইনামময়ুম,ময়াং অরিবা, ময়াং অনৌবা, ফিরিংজিময়ূম, লাইরিকয়েংবম, হৈখামময়ুম,শাককপম, মালসম, থাঙচম, তম্পাকময়ূম, তাওথোংময়ুম, খৈথেল ইঙ্খোল অমদি হৈপোকময়ুম অসিনচিংবশিং অসিনি।

অসুক য়ামখ্রবা য়ূম্নাকশিং অসি ঙসি মৈতৈ পাংঙল মরক্তা কৌনরক্তবা লোৎশিনখিবদৌনা হৌজিক উবা ফংই। মপান্দগী লাকপা মুসলমানশিংগীদি খঙদে । হৌজিক লমদমসিদা লৈমিন্নরিবা মৈতৈ পাংঙলশিং অশেঙবা ওইরবদি য়ূম্নাক লৈনরিবনি। মৈতৈ পাংঙলশিংদা য়ূম্নাক য়াওরিবসি ইচম চম্না নত্তে। লৈবাক নিংথৌনা পীখিবনি। মৈতৈ পাংঙলশিংনা য়ূম্নাক য়াওনা হায়বীবসিনা অচুম্বা ওইগনি। য়ূম্নাকশিং য়াওনা ঙসি মৈতৈ পাংঙল ইচিল ইনাওশিংনা কৌনরবদা ঐখোয় নকশিন্নবা হেনগনি অমদি মীতোপ মৈতৈ পাংঙলশিংগী মরক্তা মীয়ান্না কনানো হায়বসিমসু লায়না খঙবদা মতেং ওইগদবনি । করিগীদমক লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা মৈতৈ পাংঙল ইচিল ইনাওশিংনা ঙল্লিঙৈদা লমদমসিদা খুন্দারকপা মতমদা লৈবাক নিংথৌনা পীখিবা, থোনখিবা য়ূম্নাকশিং লৈনা লৈনা কৌনদবগে হায়বসিগী ৱাহংসি লাকপা য়াই। মৈতৈ নিংঙোলবু থাজরগা পোকখিবা মৈতৈ নিংঙোলশিংগী ঈ মরীগী মচাশিংনি হায়বদু খঙনবা অমদি মখোয়গী শিনফম তাক্লিবা মরুওইবা অমনি। মসি ঙাক্লক্তবদগী মৈতৈ পাংঙল অমদি মৈতৈশিংগী মরক্তা নক্লরম্বা মরী লাপথোক্লকই। মসি হৌরক্লিবা মৈতৈ পাংঙল ইচিল ইনাওশিং, তম্পাক লম অমদি চীংমী ইচিল ইনাও খুদিংমক্লা খঙমিন্নবা চংঙি। মৈতৈ পাংঙলগী হৌরক ৱারী য়াওবা 'নোংসামৈ পুয়া' লাইরিক, 'মৈতৈ পাংঙল হৌরকফম' লাইরিক লৈরি ।

মৈতৈগী কাউনখ্রবা অদুঙৈগী ৱারী কয়া থিরুবদা মৈতৈ পাংঙল অহল-লমনশিংগী মফমদগী তাবা ফংই। মৈতৈগী অরিবা খুল্লং ঈশৈ, শাগোল শামু, শা-লান, য়ূমশা কৈশা, লম্বী থোং, খুৎশা হৈবগী ৱারীশিং মৈতৈশিংগী মরক্তা কাউনখিবা লৈরবদা, মৈতৈ পাংঙল অহল লমনশিংদগী খঙবা ঙল্লিবসি মতম অমা নক্লরম্বা তিন্নরম্বদগীনি। মসিগী মমল ঐখোয়না খঙমিন্নবা তায়। নারক য়েক্লকপদা, হিদাক লাংথক থিরকপদা মৈতৈ পাংঙলগী ইঙ্খোলদা হৌবা মনা মশীং হেক্লরকই। মৈতৈশিংগী অনা অয়েক য়াওরকপদা মৈতৈ পাংঙলগী অহল লমন্না য়ূমদা লাক্তুনা লায়েংবীরকই হায়বসি মৈতৈশিংগী মরক্তসু নীংশিংনবা চুম্মী। মৈতৈ পাংঙলশিংগী মিং থোনবা মতমদসু পাংঙল তোম্বা, পাংঙল তোম্বী, পাংঙল হাওবী থোন্নরকই। মাঙলমচৎতা মমিং লৈখিবা লৈবাক নিংথৌনা মশক খঙবা শা লান্দা থৌবা মৈতৈ পাংঙলশিং- মকক ময়ূমমচা মুবা, খুল্লকপমচা ঙৌবা, বাসৈময়ুমচা লময়েং, ফুন্দ্রেময়ুমচা কিয়াংমখোই, বাসৈময়ুমচা লিক্লাই মশক নাইখিবা মৈতৈ নিংঙোলনা পোকখিবা মৈতৈ পাংঙলশিংগী মিং ঙাক্তনি। অৱা লান্দা, নুপী লান্দা মৈতৈ পাংঙল য়াওরকই হায়বগী ৱারী শীংবুল লৈরি।

চায়থোকখিবা মফমশিং বংলাদেশ, অসাম, বর্ম্মাদা মৈতৈ পাংঙল কয়া খুন্দাদুনা লৈরি। ঙসিসু মখোয়না মৈতৈ পাংঙল অমা ওইনা মৈতৈলোল ঙাঙলি। পোক্লফম লমদম মণিপুরদা মৈতৈনা ঙাঙনদ্রবা মতম অমগী অরিবা মৈতৈলোল মৈতৈ পাংঙলনা ঙাঙনবা তারকই। মসিনা ঐখোয় অমত্তা ওইরম্মী হায়বসি খঙবা ঙম্মী । পূম্নমকশিং অসি ঙসি ঐখোয়না কাউথোকপ। চুম্লোই। ■

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

শরৎচন্দ্রগী শ্রীকান্ত (২শুবা)

# লোই থাবা

*(বেঙ্গলগী উপন্যাসকার শরৎচন্দ্র চট্টোপধ্যায়গী বাংলা লোলদা ইবা 'শ্রীকান্ত' পু অরুনা চক্রবর্তি, প্রিন্সিপাল, - জানকি দেবী মেমোরিএল কোলেজ, দিল্লিনা ইংলিসতা হন্দোকপা লাইরিক্তগী ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবনা মণিপুরীদা হন্দোকপা)*

**ডা. কুনজেশ্বর তেনসুবা**

*(হান্নগী মখা চথ্খজরকপা...)*

"অদোমগী পোৎ-চৈশিংদু ঐনা জহাজগী ফম্বাক্তা থমজরল্লবনি, বাবু। মদু সিদা পুজরকউরা?"

"পুরক্কনু। মদুগী মহুত্তা নঙনা ঙমগদবা লৈরবদি ঐবু মফমসিদগী খরা পুথোকউ।"

মী অতৈগী বেদ্দিং মথক্তা নেত্তুনা চৎপা, অদুগা কনাগুম্বা অমগী মপোৎ-মচৈদা খুদি থিজিল্লুবা, থেংজিল্লুবা তৌদনা মফমদুদা খোঙফৈ অমা থাংদুনা চৎপা হায়বদু ওইথোক্তবা থবকনি, মরমদি ঐনা খোঙদা নেত্তুনা লেপ্লিবা মফমদু নত্তনা জহাজ মনুংগী লৈমায় অদুদা হাঙদুনা লৈবা মফম খুজিন মমায় অমফাও লৈত্রে। কুলিদুনা ঐগী খূৎ কন্না পায়রগা হায়ফেৎ খূৎলৈ থুনা অমদি তৌ-ঙম্বা মতিক উত্তুনা ঐবু জহাজ মনুংদুদগী পুথোকপীরক্লে, - লৈমায়থক্তা লৈরম্লিবা হান্নগী পোৎথম্ফম মওংদু করিমত্তা অকায়বা থোকহন্দনা। মদুগী তুংদা, ঐগী য়োৎকী তুরংউপু অমসুং বেদ্দিং লৈরিবা মফমদুদা পুবিরল্লগা মাগী অপুমন লৌরগা চৎখ্রে।

ঐনা অকোয়বদা কোয়েং য়েংখি। মফমসিদসু জহাজগী ফম্বাক্কী লৈমায়দুদা তোংলিবা মী কয়াদুনা মাগী মাগী ফম্ফম মওং তানা শীন্দোক্তুনা কনশিন্নরম্লে, - থেঙনা লাকপা ঐগুম্বা মীগীদি বেদ্দিং তিংথোক্ল বগী মফম অমত্তা লৈত্রে। ঐগী তুরংউপু মথক্তা ফমদুনা, জহাজদুনা লিরি-লিরি চৎপা হৌরক্লিবা গঙ্গা তুরেলগী ঈমায় অমদি চাংজৌদু য়েংবা নত্তনা ঐগীদি অতৈ পাম্বে অমা লৈত্রে। ঐ ঈশিং খৌরাংলকপা মতম ফনা শাংলবনি অদুবু মমাঙগী পুং অনীরোমগী মতম, অৱাবা চৈথেং কয়া থেংনখিবদুনা খৌরাংবদু ময়েং তাহনখিবগী ৱাদি লৈতে। অমরোমদনা, ঐগীদি গ্লাসসু লৈবাক্কী ঈশিং খুজাইসু অমত্তা পুরক্তে। খোঙবু ওইরিবা বেঙ্গলীমচা অমদগী ৱায়রুনবগী ৱাখলদা নাশোন পিক্লা, কনাদসু অয়েৎপা পীরুদনা জহাজগী মখাথংবা কাদা চৎপা য়াবা সিড়িদুগী মনাক্তা লাক্লে। ফম্বাক্তুগী অৱাংবা মফম অমদা ঐনা লেপ্তুনা লৈরিঙৈদা য়াম্না শাথিনা চরাংনবা মখোল অমনা ঐগী নাকোং পংশিনহল্লরে। মদুগুম্বা খোঞ্জেলদুদি ঐনা ঙসি ফাওবা হিংলকপসিদা অমুক্তসু তাখিদ্রি। মদুগী মখোলদুগা মান্নরমগদবসি, মহাভারত্তা য়াওবা বিরাট নিংথৌগী চাউখ্রবা শঙ্গোল শঙদু মৈ চাকখৎলক্তুনা ষণয়ামদুনা মনাতোন্দা খূ-খূ কাম্লকপা, ষণ লাবশিংনা হৌনা খোংলকপা, খোঙথাং দং-দং থাংদুনা কোয়চেন চেন্নবা, শাউদুনা ফী-ফী কাম্লকপা, মথোঙ খঙদনা কন্না খোংলকপনচিংবা মওং কয়াগী অপূনবা খোঞ্জেলদুগা মান্নরমগনি নীংই, মদুগুম্বা মখোল অমা মখারোমদগী ঐনা তাখি। মিহুন তীং-তীং চোংনা অহোবা মখুল্লোমদা মূনা য়েংলুবদা ঐনা ঙসি উরিবসিবু করি মতৌনোনে খনখি, ঙকপদা থেংখি। সমুদ্র ঈপাক্কী ঈশিংগুম য়াম্লবা মীয়াম অদুনা মখোয়-মখোয়গী ফুরুপকী নৎত্রগা মখুল - মরৈকাইগী ঈশৈশিং তিংখত্তনা কন্না - অমনা অমদগী হৌবা হেনবা তান্নবগুম শক্কৎনরকখি। মতৌদু উরুবদা, কাবুলদগী হৌদুনা ব্রহ্মপুত্র ফাওবদা লৈরিবা, কুমারিকাদগীনা থাপখ্রবা চাইনাগী লমখৈ ফাওবদা লৈরিবা ঈশৈ হৈবা মী পূম্নমক জহাজসিগী হিপোৎ ওইনা হাপ্তুনা পুরক্লবোই নীংলুই।

ঈশৈবু পামজবা মীশক অদুদি কৈদৌঙৈদা মী হাৎপা ঙমদে হায়না ইংলেন্দগী অফাওবা শৈরেংবা সেক্সপিয়রনা হায়রম্মী হায়নবা ৱাফম অমা ঐনা তাখ্রে। অদুবু, মী অমা হাৎননবগী অকনবা পূক্লিং ইথিল-থৌইনশিন পীবা ঙম্বা অসিগুম্বা ঈশৈ মখলসিদি সেক্সপিয়রনা অমুক্তসু তারমখিদবা য়াই হায়না নীংই। ঐনা খোঙফম চেৎনা লেপ্তুনা লৈরিঙৈসিদা মখারোমদগী নুপা অমনা য়াম্না পাখৎনা ঐঙোন্দা ইঙ্গিৎ তৌদুনা কৌরকপা উখি। ইতুংদা মীয়াম্না তুকচচনা য়েংহৌবা অমদি শাউনা ঙাঙহৌবা ৱাঙাঙ কয়া থৌশারুদনা ঐনা কুমথদুনা মীয়াম মরক খায়না মীদুনা লেপ্লিবা মফমদু য়ৌনবা চৎলে। মানা ঐসি ব্রাহ্মন মচানি খঙলকপা মতমদুদা য়াম্না নোল্লুক্লা মখূৎ অনীদু লোন্নরদুনা মহাকসি রেঙ্গুনগী অফাওবা নন্দ মিস্ত্রি হায়বদুনি হায়না মশক তাকচরকই। মাগী নাকন্দা চহী নিফুরোমগী লেঙ্গা ওইগদবী নুপী অমা ঙাংশং ঙাংবা অরাওবা মমীত্তু গ্রো-গ্রো ওৎলদুনা, চরোৎ হাবুংমুক শোঙবা পিশুম অনীদু শম্নরদুনা ফম্লম্মী।

নন্দা মিস্ত্রিনা মখূৎ অনী নোইর-নোইরদুনা হায়রকই, - "বাবু মহাশয়, মসিনা ননাই ঐগী ইনাই -।"

-মথং-মথং-

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।